# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, আর্মি চীফনা গুরেজদা দিৱালিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

জম্মু, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অৱাং থংবা কাশ্মীরগী বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্ট মনাক নক্কা লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)গী গুরেজ সেক্টরদা লান্মীশিংগা লোয়ননা দিৱালিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এ এন আইগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি অয়ুক গুরেজ সেক্টরদা ইন্দিয়ন আর্মিগী ১৫ কোরগা লোয়ননা দিৱালি পাঙথোক্নবগীদমক জম্মুদা থুংলখি। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা আর্মি চীফ জেনরেল বিপিন রাৱট, নোদর্ন কম্মান্দগী মকোক লেফটনেন্ট জেনরেল দেবরাজ অনবু অমদি চিনার কোরগী কম্মান্দর লেফটনেন্ট জেনরেল জে এস সন্ধুসু লোয়নরকখি।

লান্মীশিংদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, হীরম খূদিংমক্তা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা আর্মদ ফোর্সেসকী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হোৎনরি। খ্বাইদগী অহানবা খোঙথাং ওইনা ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সন (ও আর ও পি) চৎনহনখি। মতুং তারকপদসু আর্মিগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি।

নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা লান্মীশিংগা লোয়ননা কাশ্মীরদা দিৱালিগী থৌরম পাঙথোকপা হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। অহানবা ওইনা



কুমজা ২০১৪দা মহাক্না কাশ্মীরদা আর্মিগা লোয়ননা দিৱালি পাঙথোকখিবনি।

কুমজা ২০১৬তা মোদিনা দিৱালি নুমিত্তা হিমাচল প্রদেশকী কিনোর দিষ্ট্রিক্টতা চত্তুনা ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি), ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং দোগ্রা স্কৱাদকা উনখি। লৈবাক ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা লান্মীশিংগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা 'সন্দেশ ফোর সোলজর্স' কৌবা কেম্প্যেন অমা কুমজা ২০১৪দা লোঞ্চ তৌখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলাল সিতারমননা অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী য়াম্না মরুওইবা ট্রাই-সার্বিস কম্মান্দদা লান্মীশিংগা লোয়ননা দিৱালিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্টরনা অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী ট্রাই-সার্বিস কম্মান্দ এরিয়াদা লান্মীশিংনা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং কুপ্না য়েংশিনখি।

সিতারমননা লান্মীশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা দিৱালিগী থৌরম পাঙথোকখি।

সিতারমননা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ট্রাই-সার্বিসেস কম্মান্দদা লৈরিবঙৈদা সেল্যুলর জেলগী স্বাতন্ত্র জ্যোতি অমসুং কার নিকোবরগী সুনামি মেমোরিএলদা লৈ কত্তুনা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

# পি দি এসকী পোৎলম লৌনবগীদমক আধারগী মথৌ তাদে : য়ু আই দি এ আই

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):

য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই দি এ আই)না হায়খ্রে মদুদি, আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক কনাগুম্বা মীওই অমবু পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি দি এস)কী মখাদা রসন ফংহন্দবা তৌরোইদবনি।

রসন কার্দ অমদি আধার লিঙ্ক তৌদে হায়বগীদমক চেঙ পীখিদবনা ঝরখন্দদা নুপীমচা অমা চরা হেনবদগী শিখ্রবা মতুংদা য়ু আই দি এ আইগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মীয়ামদা আধার পীবগী থৌদাং লৌরিবা য়ু আই দি এ আইনা হায়খি, লৈখিদ্রবা নুপীমচা অদুগী ইমুংদা আধার কার্দ পীখ্রে। অদুবু রসন কার্দকা লিঙ্ক তৌদে হায়বগীদমক ইমুং অদুদা পি দি এসকী পোৎলম ফংহনখিদবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ু আই দি এ আইগী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসার (সী ঈ ও) অজয় ভুষণ পান্দেনা হায়খি, আধার কার্দ পায়দ্রবসু মশাগী অতোপ্পা শক্তাক চে লৈবা তারবদি লৈঙাক্লা পীরিবা খুদোংচাবা পূম্নমক মপুং ফানা ফংহনগদবনি।

পনবা য়াবদি, মশাগী চহী ১১ শুরবী সন্তোশি কুমারী কৌবী নুপীমচা অমা নুমিৎ ৮নি চরা হেল্লক্লবা মতুংদা মমাঙ থাগী ২৮দা শিখিবনি।

অমরোমদা, ঝরখন্দগী ফুদ এন্দ সপ্লাই



মিনিষ্টর সরয়ু রাইনা হায়খ্রে মদুদি, রসন কার্দ অমদি আধার লিঙ্ক তৌদে হায়বগীদমক মীয়ামদা লৈঙাক্লা পীবা চেঙ অমসুং অতৈ পি দি এসকী পোৎলমশিং ফংহন্দবা তৌরোইদবনি হায়না মরী লৈনবা ওফিসারশিংদা খঙহনখ্রে।

কনাগুম্বা মীওই অমনা ভোটর আই দি কার্দকী মহুত্তা আধার পায়রগা ভোট থাদবা য়াহনফম থোকই হায়না হান্নগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার (সী ঈ সী) পি এস কৃষ্ণমুর্তিনা ফোঙদোকখিবনি।

হৌজিক হৌজিক ইলেক্সন কম্মিসন্না ভোটর আই দি কার্দ পায়দবা মীওইশিংবু পাস পোর্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা দোক্যুমেন্ট খরা পায়রগা ভোট থাবদা য়াহল্লিবনি।

কৃষ্ণমুর্তিনা হায়খি, অতৈ অতোপ্পা হীরম কয়াদা তঙাইফদবা মচাক অমা ওইহল্লিবা আধার পায়রগা ভোট থাদবা য়াহনগদবনি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়ানা মথং চহীদগী হৌনা নেসনল অমদি ষ্টেট ইলেক্সনশিং পুন্না পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

ষ্টেট এসেমব্লিশিং অমসুং লোক সভাগী মীখল পুন্না পাঙথোকপদা অকায়বা লৈতে হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর নৎত্রগা দিসেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেটশিংগী ইলেক্সনবু কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা পুন্না পাঙথোকমিন্নবা য়াগদ্রা হায়বগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন্না য়েংশিন্দুনা লাকখি।

# পাকিষ্টানিশিংগী পন্দুনা লৈরিবা মেদিকেল ভিজা পূম্নমক পীরগনি হায়না সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা লায়েংবা লাক্নবগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরিবা পাকিষ্টানিশিংগী নুংঙাইবা পাউ অমা ওইনা পন্দুনা লৈরিবা মেদিকেল ভিজা পূম্নমক পীরগনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াদা লায়েংবা লাক্নবগীদমক মাঙজৌননা ভিজাগী এপ্লিকেসন পীশিল্লকখ্রবা পাকিষ্টানি খূদিংমক্তা ভিজা পীরগনি। দিৱালিগী খুদোল ওইনা লায়েংবা লাক্কদবা পাকিষ্টানি খূদিংমক্তা মেদিকেল ভিজা পীনবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙরাংসু সুস্মা স্বরাজনা পাকিষ্টানি মঙাদা মেদিকেল ভিজা পীবা লৈখ্রবনি। মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াদা লায়েংবা লাক্কদবা পাকিষ্টানি মচাশিংদা মতেং পাংবা হন্দক্লা অহানবা নত্তে।

ইন্দিয়াদা লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌনগীদমক পাকিষ্টানি অনীদা মেদিকেল ভিজা পীরগনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রবনি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, লিভর ট্রান্সপ্লান্ট সর্জরি তৌনবগীদমক নাসিম অখতার কৌবী পাকিষ্টানি নুপী অমদা ভিজা পীখিনবা ইস্লামবাদকী ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নারদা খঙহনখ্রে। অখতারগী মচানুপানা মমা লায়েংবদা মতেং পাংবীয়ু হায়জরকখ্রবা মতুংদা স্বরাজনা মেদিকেল ভিজা পীনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

সবির অহমদ শাহ কৌবা অতোপ্পা পাকিষ্টান মচা অমসু লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগীদমক মেদিকেল ভিজা পীরগনি হায়রি।

অহমদ শাহগী মচানুপা অলি অসাদুল্লানা ত্বিটরগী খুথাংদা মতেং নীরকখ্রবা মতুংদা স্বরাজনা মীওই অসিদসু মেদিকেল ভিজা পীনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি হায়রি।

মমাঙদসু সুস্মা স্বরাজনা থম্মোয়গী লায়না নারবা পাকিষ্টানগী পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অমা লায়েংনবগীদমক মেদিকেল ভিজা পীরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# যোগি অদিত্যনাথনা ওপোজিসনবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

অযোধ্যা, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):

লোর্দ রামগী পোক্নফম লমদমনি হায়নরিবা অযোধ্যাদা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা গ্রান্দ দিৱালি পাঙথোকপদা ওপোজিসন্না ৱাফম কয়া পুখৎলকখিববু চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমনা থাজবা অমগা লোয়ননা পায়খৎলিবা থৌরাংদা অতোপ্পা মীওই অমত্তনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্নবগী রাইট লৈতে।

ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টর ওইরুবনা ষ্টেটকী মফম খূদিংমক্তা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। মদুগীদমক সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা থৌরাংশিং য়েংশিন্নবগীদমক অযোধ্যাদা গ্রান্দ দিৱালি পাঙথোকখিবনি।

অমরোমদা, যোগি অদিত্যনাথনা অযোধ্যাদা মৈরা লাখ ১.৭৩ থান্দুনা দিৱালিগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা টাউন অসি শেমগৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ১৩৩গী প্রোজেক্ট অমা পায়খৎলগনি হায়না লাউথোকখি।

দিৱালি পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবা অসিগা রাম জন্মভুমিগী ৱাথোক্তা মরী লৈনদে। গিনিস ৱর্ল্ড রেকোর্দ



থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মৈরা লাখ ২ হেন্না থানবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

মীখলগা মরী লৈননা অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শানবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়বা ৱাফম অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা অদিত্যনাথনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা রাম টেম্পলগী মতাংদা পীরকপা ৱায়েল ঙাইখিগনি। খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ৱায়েলশঙনা পীরকপা ৱায়েল অদু মীপুম খূদিংমক্না ঈকায় খুম্নবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা অযোধ্যাদা মিটর ১০০ ৱাংবা রামগী মিতম অমা শারগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম্মু তরাম্না ওক্লদুনা সিয়া ৱাকফ বোর্দনা রামগী মিতম শাবদা লুপাগী তেঞ্জে তরা খুদোল তম্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অমদা বোর্দকী চ্যেরমেন ৱাসিম রিজবিনা হায়খি, সিয়া মুস্লিমশিংনা লোর্দ রামবু ঈকায় খুম্নবা উৎলি হায়বগী খুদম ওইনা লুপাগী তেঞ্জে তরা খুদোল তম্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

রামনা মকোক তরা পানবা রাবন মায়োক্নখিবগুম লুপাগী তেঞ্জেনা মালেমদা টেররিজম মায়োক্নবদা মতেং ওইনরগনি হায়না বোর্দকী চ্যেরমেনননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা অযোধ্যাগী সরয়ু তুরেল মনাক্তা রামগী অচৌবা মিতম অমা শারগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। য়েৎনরিবা রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদ মনাক নক্না শাগদৌরিবা রামগী মিতম মিটর ১০০ ৱাংগনি।

চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা উত্তর প্রদেশতা রিলিজিয়স টুরিজম চাউখৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মিটর ১০০ ৱাংবা রামগী মিতম অমা অযোধ্যাদা খিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী ইন-চার্জ ওইরিবা অবনিস অৱাস্থিনা হায়খি, ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা টুরিষ্টশিংগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎনবা হোৎনরি।

# ওপরেসনেল এক্সর্সাইজগী শরুক অমা ওইনা আই এ এফকী ফাইটর জেটশিং অগ্রা এক্সপ্রেসৱেদা লেন্দিং তৌগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):

মথং চয়োলদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ)না পাঙথোক্কদবা ওপরেসনেল এক্সর্সাইজকী শরুক অমা ওইনা লখনৌ-অগ্রা এক্সপ্রেসৱেদা এয়রক্রাফট কয়ামরুম লেন্দিং তৌগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, ওক্টোবর ২৪দা এয়র ফোর্সনা অখন্নবা এক্সর্সাইজ অমা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরি। উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টকা খুৎশম্নরগা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

থৌরম অদুদা এ এন-৩২ ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফট, এস য়ু-৩০, জাগ্বার অমদি মিরাজ ২০০০ শরুক য়াগদৌরি। কুমজা ২০১৬কী মে ২১দা আই এ এফকী মিরাজ ২০০০ ফাইটর প্লেন অমা য়মুনা এক্সপ্রেসৱেদা লেন্দিং তৌবা লৈখ্রবনি।

রোদ এন্দ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা ফাইটর প্লেনশিং লেন্দিং তৌবা য়ানবগীদমক হায়ৱে ১২



শেমগৎপা লোইরে হায়রি।

মাওইষ্ট লালহৌবগী অকনবা মফম ওইরিবা ওরিষা, ঝরখন্দ অমদি ছটিসগরদসু ফাইটর এয়রক্রাফটশিং লেন্দিং তৌবা য়াগদবা হায়ৱে শেমগৎপা লৈখ্রবনি।

কুমজা ২০১৬তা রোদ, ট্রান্সপোর্ট, হায়ৱেজ এন্দ সিপ্পিংগী মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা কম্মিটি অমা শেমদুনা হায়ৱে পূম্নমক এরোপ্লেন তাবা য়াহন্নবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, আই এ এফকী অহানবা নুপী ফাইটর পাইলোট অহুম মথং থাদা মিগ-২১ পাইহল্লগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ ওফ এয়র ষ্টাফ, এয়র চীফ মার্সল বি এস ধনোৱানা হায়খি মদুদি, পাইবা ঙম্লবা নুপী ফাইটর পাইলোট অহুম্না মথং থাদা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্লগনি। মিগ-২১ বিসন পাইরবা মতুংদা মখোয় অহুম্না অতৈ অতোপ্পা ফাইটর জেটশিংসু ইরাই লায়না পাইবা ঙমগনি হায়রি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা চীফ ওফ এয়র ষ্টাফ, এয়র চীফ মার্সল বি এস ধনোৱানা হায়খি, হীরম খূদিংমক্তা নুপা অমদি নুপী রাইট মান্নরকপগা লোয়ননা নুপী ফাইটর পাইলোট অহুম্না ফাইটর জেট পাইনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

হায়রিবা নুপী ওফিসার অহুম অদু মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা কম্মিসন তৌখিবনি।

# জি জে এমগী লূচিংবা রোসন গিরিগী ময়ুম মাঙ-তাকহল্লম্লে

দার্জিলিং, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা গোর্খ জনমুক্তি মোর্চা (জি জে এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি রোসন গিরিগী ময়ুম অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বগী মতাংদা ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসপু মরাল শীখ্রে।

গিরিনা হায়খি, নোংয়াই মতুং পুং ১২.৪৫ তাবদা পুলিসনা থোঙ কাউখাইদুনা ইমুংদা চঙলক্লগা কম্প্যুটর অমা, প্রিন্টর অনী অমসুং মরুওইবা চে-চাং কয়ামরুম য়াওবা স্যুটকেস অমা পুখি।

অমরোমদা, দার্জিলিংগী কোর্ট অমনা জি জে এমগী লূচিংবা বিমল গুরুং অমদি রোসন গিরি য়াওনা মীওই মঙাগী মথক্তা প্রোক্লেমেসনগী ওর্দর ইস্যু তৌখ্রে।

দার্জিলিংদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা কোর্টকী য়াথং অদু পীখিবনি। জুন ৮দা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা দার্জিলিংদা কেবীনেট মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা জি জে এমগী ৱার্করশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লত্তুনা মফম কয়াদা নুঙ লংশিল্লকপদা পুলিস পার্সনেল ১৫ অশোক-অপন নংখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা জি জে এমগী লূচিংবা বিমল গুরুং ফানবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবা তারবসু অতোপ্পা মীওই অহুম মশীং য়াম্লবা খুৎলাই কয়ামরুমগা লোয়ননা জি জে এমগী কেম্পতগী ফাখি।

তান্থোকখ্রবা জি জে এমগী লূচিংবা বিনয় তমাংনা রাজ ভবন্দা চত্তুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নর কেসরি নাথ ত্রিপাতিগা উনখিবদা সেন্টরনা দার্জিলিং



হিলসতা থোক্লিবা ৱাথোক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

গভর্নরগা উনরুরবা মতুংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা তমাংনা হায়খিবনি মদুদি, হন্দক্তা বোম পোকখায়বগী থৌদোক মথং মথং থোকখিবগা লোয়ননা দার্জিলিংদা খুৎলাই কয়ামরুম ফংখিবগী মতাংদা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা গভর্নরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না তমাংনা পূক্নিং চিংশিনখি। সেন্টরনা পন্দুনা লৈরিবা ৱাফম পূম্নমক অমসুং গোর্খা লেন্দগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা ৱারী শানবা মথৌ তাই হায়না তমাংনা ফোঙদোকখি।

থা খরগী মমাঙদা তোঙান তোঙানবা চীংগী পার্টিশিংনা তোখায়বা ষ্টেট তাল্লদুনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখ্রবনি।

দার্জিলিং হিলসতা পুলিস অমদি জ জে এমগী ৱার্করশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নখিবা লৈখ্রে। পুলিসনা নোংমৈ কাপ্তুনা জি জে এমগী ৱার্করশিং তানখায়নবা হোৎনবদা জি জে এমনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্লকখি। থৌদোক অদুদা পুলিস পার্সনেল অমা শিখি। জি জে এমনদি মখোয়গী মায়কৈদা মীওই মঙা শিরে হায়না ক্লেম তৌখিবনি।

# হিন্দু লাইশঙ অমগী মথক্তা তাজ মহল শাখিবনি : বিনয় কাতিয়ার

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):

কানপুরদগী কারকখিবা বি জে পিগী এম পি বিনয় কাতিয়ারনা হায়খ্রে মদুদি, মতম অমদা লৈরম্বা হিন্দুগী লাইশঙ মথক্তা তাজ মহল শাখিবনি।

হিন্দুগী লাইশঙ অদুবু তেজো মহল হায়না খঙনরমই। শিব মহাদেবগী লাইশঙ মথক্তা মুগল নিংথৌ শাহ জহাননা মহাক্কী লোয়নবী মমতাজগী মিংদা মোসোলিয়ম শেমগৎলগা তাজ মহল হায়না মমিং ওন্থোকখিবনি।

শিবগী লাইশঙ ওইবা মরম্না তাজ মহলগী সিলিং মথক্তগী ঈশিং মরিক মরিক তারকপা মফম কয়ামরুম হৌজিকসু মীয়াম্না উবা ফংলি। নীংথিরবা লাইশঙ অসিবু লাইশঙ অসিবু শাহ জহাননা খুদুম চম্লগা মহাক্কী লোয়নবী মমতাজগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৈরোন চনখি।

রাম টেম্পল শেমগৎপগী মতাংদা কাতিয়ারনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টতা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা হিয়ারিং চথরিবা মরম্না থেংলবদা চহী ১গী মনুংদা অরোইবা ৱায়েল অমা শোয়দনা পীরক্লগনি।

মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শানবগী পাম্বৈ অমা শোয়দনা থোরক্কনি। করিগুম্বা হীরম অসিগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রবদি সোমনাথ টেম্পলগী মওংদা রামগী লাইশঙ অমা শোয়দনা শাগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মতম অমদা ইন্দিয়নশিংগী হুমাং অমসুং ঈনা শাখিবা তাজ মহলগী মতাংদা য়েৎনদুনা লৈবগী মথৌ তাদে হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লুপা ক্রোর ৩৭০ চঙনা অগ্রা শেমগৎপদা তাজ মহলগী অকোয়বা মফমশিং শেমগৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# হিমাচল প্রদেশতা কোংগ্রেসনা মীরেপ ৫৯গী মিং লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):

নবেম্বর ৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা হিমাচল প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইনবগীদমক কোংগ্রেসনা ঙসি মীরেপ ২৯গী মিং অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা লাউথোকখ্রে।

পার্টি প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা কোংগ্রেসকী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিগী মীফম্না ৱারেপ অমা লৌরবা মতুংদা হিমাচল প্রদেশতা মীরেপ ওইগদবা মীওই ৫৯গী মিং লাউথোকখিবনি।

ষ্টেট কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সুখৱিন্দর সিংহ সুখুবু নদোম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা মীরেপ ওইহল্লগনি হায়রি। মমাঙগী মীখলদা মহাক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিদা মায়থিবা নংখিবনি।

কোংগ্রেসনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীরেপ ৫৯গী মিং লাউথোরকপদা চীফ



মিনিষ্টরগী মচানুপা বিক্রম অদিত্যগী মিং য়াওরকখিদ্রে।

পনবা য়াবদি, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না হিমাচল প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইগদবা মীওই ৬৮গী মিং ঙরাং লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী নোটিফিকেসন মতুং ইন্না নবেম্বর ৯দা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্লগা দিসেম্বর ১৮দা ভোট মশীং থিনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর প্রেম কুমার ধুমালনা সুদনপুরদগী মীরেপ ওইরগনি। প্রমোদ শর্ম্মনা শিল্লা রুৱেলদা অমসুং রতন সিংহ পালনা আরকিদা মীরেপ ওইরগনি হায়রি।

চীংগী ষ্টেট অসিদা বিরভদ্র সিংহনা লূচিংবা কোংগ্রেসনা মমাঙগী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মায় পাকখি। হন্দক্কী মতাং অসিদা বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়নবগীদমক অকনবা থৌরাং লৌখৎপা হোৎনরি। অদুম ওইনমক পার্টি অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীওই হৌজিক ফাওবা লাউথোরকপা লৈত্রি।

বি জে পিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং পার্টি প্রসিদেন্ট অমিত শাহগী মতেং লৌরগা মীখলদা মায় পাক্নবা হোৎনরি। বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংগী মমিংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর প্রেম কুমার ধুমাল অমসুং হিমাচল প্রদেশ বি জে পিগী প্রসিদেন্ট সতপাল সিংহ য়াওরি।

বি জে পিনা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ৬৮ মত্তা মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং লাউথোকখিবগী মনুংদা অনিল শর্ম্মা য়াওরি।